# ক্রিকেট টেষ্টতা খৎন-চৈনবা থোকপা

—লৈশাংথেম অজিৎ—



**জেন্টলমেন গেম** হায়রগা ঐখোয়না ক্রিকেট শান্নববু খঙনৈ, মসিবু করিগুম্বদসু নোবল গেম হায়না খঙনরবসু মতমগী মতুং ইন্না ক্রিকেট শান্নরোয়শিংগী মনুংদা জেন্টলমেন ওইরক্তবা হায়বদি লৈবাক মচা তারক্তবা কয়ামুক য়াওরক্তুনা ৱাথোক-লান্থোক কয়ামুক থোকখিবগী ৱাফমশিং মীয়াম্না খঙনরিবা অসিগী মথক্তা মরুওইনা কম্মনৱেলথ লৈবাকশিংদা লৈরিবা মীৎয়েংলোইশিংগী মরক্তসু লৈবাক মচা তারক্তবা য়াওবদগী টেষ্ট ক্রিকেট শান্নবদা মীৎয়েংলোইশিংনা নূং, লিক্লিনচিংবা শান্নফমদা লংশিনবা, ষ্টেদিয়মগী ফম্ফমশিংগী চৌক্রিনচিংবা মৈ থাবা, টিকেট য়োনফম কাউন্টরদা মী য়াম্মন্দুনা নেৎখায়নবা, শান্নফম মনুংদা লমহেনবা মীৎয়েংলোইশিংনা চেনশিনবা, ক্রিকেটকী পিচ তৌখায়বনচিংবা থৌদোক কয়ামরুম থোকই। ক্রিকেট টেষ্ট ইংলেন্দ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াখক্তমক অহানবা ওইনা শান্নরম্বদগী ইন্দিয়া, ন্যুজিলেন্দ, ৱেষ্ট ইন্দিজ অমসুং খা অফ্রিকা তপ্না তপ্না শরুক য়াহনখি। ইন্দিয়াদগী পাকিষ্টান খায়দোকখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসি তোঙানবা টিম অমা ওইনা টেষ্ট মেচ শান্নবগী থাক অদু ফংখি। মথং তারকপদা শ্রীলঙ্কা, বাংলাদেশ, জিম্বাবৱে, আফগানিষ্টান অমসুং অয়রলেন্দ টেষ্ট শান্নবগী থাক্তা থমখি। মরম অসিনা লৈবাকশিং অসিগী সহরশিংদা ক্রিকেট টেষ্ট পাঙথোকই। নুমিৎ মঙানি পাঙথোকপা টেষ্ট মেচ শান্নবদা করিগুম্বদা মীৎয়েংলোইশিংনা পেন্দবগী থৌদোক য়াওরল্লবদি চরাংনবা থোক্তুনা অকায়-অতোয় কয়ামুক থোকহনবগী থৌদোকশিং শান্নবগী পুৱারীশিংদা ময়েক লানা ইদুনা থল্লি ।

ঙল্লিঙৈগী মতমদা মাঞ্চেষ্টর সহরদা ইংলেন্দ অমদি ওষ্ট্রেলিয়া কুমজা ১৯২১দা শান্নখিবা টেষ্টতা রাইওট অচৌবা অমা থোকখি। মসিগী মমাঙদা ইংলেন্দগী টিম্না ওষ্ট্রেলিয়াদা কুমজা ১৮৭৯গী ফেব্রুৱারী ৮দা ক্রিকেট শান্নবদসু চরাংনবা থোক্তুনা খৎন-চৈনবা থোকখি। অসিগুম্বা ক্রিকেট শান্নবদা খৎনবগী থৌদোক কয়ামরুম লৈবা ঐখোয়না থেংনরি। খুদম ওইনা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজ কুমজা ১৯৭০দা কিংসটনদা শান্নখিবদা ৱাথোক ওইনখিবা, কুমজা ২০০১দা লিদস সহরদা ইংলেন্দ অমসুং পাকিষ্টান, কুমজা ১৯৯৬তা কোলকটাদা শ্রী লঙ্কা অমদি ইন্দিয়া অমদি কুমজা ১৯৬৯দা করাচিদা পাকিষ্টান অমসুং ইংলেন্দ শানবদা থোকখিবা ৱাথোকশিং নীংশিংবা য়াই।

কুমজা ১৯৬৯দা ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট টিম ইন্দিয়াদা টেষ্ট ক্রিকেট শান্নবা লাকখিবদা কোলকটা সহরদা দিসেম্বর ১২, ১৩, ১৪, ১৫ অমসুং ১৬তা টেষ্ট মেচ অমা শান্নদ্রিঙৈগী মাঙওইননা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী প্রোপেগন্দা শন্দোকপশিংনা কোলকটা সহরদা "GO HOME WALTER" হায়না ইবা পোষ্টরশিং থেৎখি, ক্রিকেট শান্নফম ইদেন গার্দেনগী অকোয়বদা পোষ্টরশিং অদু খরা য়াম্না কুঙনা থেৎলি, মসিগী মরমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয় দোওগ ৱালটরস খা ভিয়েটনামদা সিফাই অমা ওইনা লান থেংনবদা শরুক য়ারুই হায়বা অসিনি। মহাক চহী অনী কম্পলসরি মিলিটরি সার্ভিস তৌরুরে । তৌইগুম্বসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী ৱাংমদা লান শোক্লবদি অমুক্তা ফাওবা চৎলুদ্রি। মসিগী মতাংদা পাউচেশিংদা অরানবা পাউ অসি ফোঙবা অমদি রিপোর্টশিং অসিনা মীওই ৩০০০ হেন্না ওষ্ট্রেলিয়ানশিং ওষ্ট্রেলিয়াদা লৈরিবা হোটেল গ্রেট ইষ্টনগী মমাঙদা দিমোন্সত্রেসন চৎখি। লাক্লিবা টিম অসিনা মীরৈবাক মচা ওইবনা নোংচুপ বেঙ্গলগী পোলিটিক্সকী মরমদা নিংথিনা খঙদে। অদুবু মতম অদুদদি পেকিংগী মতেং লৌবগা লোয়ননা মখোয়গী ৱাখল্লোন চৎলিবা কম্যুনিষ্টশিংনা ভোটকী কেন্দিদেট ওইবা মতমনি। তৌইগুম্বসুং টেষ্ট অসি পাঙথোক্লবগীদমক চহী অহুমগী মমাঙদগী ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর অজয় মুখরজিনা খুজিল থৌরাং তৌদুনা ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রাইফলস মফম অদুগী অকোয়বদা থম্মী, পুলিস অমদি আর্মি মখোয়বু মতেং পাংনবা থম্মী। হোম মিনিষ্টরনা মেজিষ্ট্রেট এক্সতা মাপন (৯) কোলকটাদা থম্মী।

কা হেন্না মশান্না অসিবু পামজবশিংনা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয়শিংনা প্রেক্টিশ তৌরিঙৈদা য়েংবা লাকই। মখোয়না নকশিন্না য়েংনবা হোৎনবদা প্রেক্টিশ তৌবা অদুদা অপনবা কয়ামুক থোকই । মরম অদুনা পুলিসনা কোয়তান তান্নদুনা চৈনা কল্লি। ফীভম অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মেনেজর ফ্রেদ বেন্নেটনা সেক্যুরিটি পীয়ু হায়বদগী পুলিস লিশীং ৩ লম্পাক অদুগী অকোয়বদা থমখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী খোঙচৎ অদুদা মুম্বাই, কানপুর, ন্যু দেল্লি, কোলকটা অমসুং মদ্রাজ (চেন্নাই) দা মথং মনাও নাইনা টেষ্ট মেচ শান্নখি। অহানবা টেষ্ট মুম্বাইদা শান্নবদা ওষ্ট্রেলিয়ানা থোইখি। ইন্দিয়াগী কেপ্তেন নৱাব ওফ পাটাউদি মমিংনা মান্সুর অলি খাননা রন ৯৫ লৌখি অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী ষ্টেকপোলনা রন ১০৩ লৌখি। অনীশুবা টেষ্ট কানপুরদা শান্নবদা দ্রো ওইখি। মদুদা কর্ণাটাকা মচা বিশ্বানাথ অহানবা ওইনা টেষ্ট মেচ য়াওবদা অহানবা ইন্নিংসতা রন অমত্তা লৌবা ঙমখিদে, জিরো ফংখি। অদুবু অনীশুবা ইন্নিংসতা রন ১৩৭ লৌদুনা অহানবা টেষ্ট ওইনা য়াওবদা সেঞ্চুরি লৌবা ঙম্বা শান্নরোয়শিংগী মমিংগী মরক্তা মমিং য়াওখিবা নুপা ওইখি। অহুমশুবা টেষ্ট ন্যু দেল্লিদা পাঙথোকখিবদা ইন্দিয়ানা মায় পাকখি। তৌইগুম্বসুং কোলকটাদা মরিশুবা টেষ্ট পাঙথোকপগী মরিশুবা নুমিৎতা শান্নরোয়শিংনা হোটেলদগী লাকপদা ষ্টেদিয়ম য়ৌরকত্রিঙৈদা পামদবা থৌদোক কয়া থোকখি। নুমিৎ অদুদা শান্নবা য়েংবা লাকপা মীওই লিশীং ২০ হেনবনা টিকেট লৌনবা পরেং শানা লেংদুনা লৈখি। টিকেটশিং অদু য়োন্নবগীদমক বুথ কয়ামুক থম্মী। টিকেট মমল লুপা ৬নি। য়োনগদবা টিকেট মশীংদি ৮০০০ খক্তা ওইরম্মী। অতৈদি কোলকটাদা লৈবা ক্রিকেট ক্লবশিংনা মখোয়গী মেম্বরশিংদা য়োন্নবা ক্লবশিংগী কোটা ওইনা হান্ননা লৌখ্রে। শান্নবা হৌনবা মতম খজিক্তং ঙাইশিল্লক্লবদা টিকেট লৈনবা পরেং শানা লেপ্লিবশিং অদু মনীংলোমদা লেপলিবশিং অদুনা মমাঙলোমদা কন্না ইনশিল্লকখি। মরম অদুনা মী কয়ামরুম লৈমায়দা তুশিনখি। তুংদগী ইল্লক্লিবা অদুনা লৈমায়দা তুশিল্লিবশিং অদুগী মথক্তা খোঙনা নেৎশিনবদগী অশোক অপন কা হেন্না য়াওখি। পুলিসনা নিংথিনা মতেং পাঙদুনা লমজিংবিরবসু মায় পাকখিদে। মখোয়না মীয়ামশিং অদুদা চৈনা ফুবা হৌরকখি, টিয়র গ্যাস মশীং কয়ামুক কাপ্পুনা মীয়ামদু তানথোক্লবা হোৎনখি। মদুদা খোয়শাওনরবা মীয়াম অদুনা পুলিসতা নূংনা থাবা হৌরকখি অমসুং সোদা ৱাটর লিক্লিশিং লংশিল্লকখি।

থৌদোক অদুদা মীওই ৬ শিখি, ১০০ হেন্না অশোক অপন নংখি, ৩০দি হোস্পিটালদা পুরগা লায়েংখি। অশোকপা ৭০দি দাক্তরনা লায়েংলগা খুদক্তা থাদোরকখি। মীয়ামশিং অদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয় লৈফম গ্রেট ইষ্টর্ন হোটেলদা চত্তুনা নূং লংশিল্লকপদা মীংশেলশিং কায়খি, পুলিস লাক্তুনা তানথোকখি। বেটিং হান্না তৌখিবা ইন্দিয়াগী অহানবা ইন্নিংসতা রন ২১২দা পূম্নমক আউট ওইখি। মসিগী পাউখুমদা ওষ্ট্রেলিয়ানা রন৩৩৫ ফংখি। মসিগী পাউখুমদা ইন্দিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংসতা রন ১৬১দা লোইনমক আউট ওইখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংস শান্নবা হৌরকপদা পাটাউদিন্না লুচিংবা ইন্দিয়াগী টিম ফিল্ডর ওইনবা থোরকপদা মীৎয়েংলোইশিংনা 'ইকায় খঙদবা পাতাউদি' হায়না লাউরকখি।

ইন্নিংস অদু হেক হৌবগা মী ফম্ফম মথক মখা অনী লৈবা ষ্টেদিয়ম অদুগী মথক থংবা মথোলগী ফম্ফমদা ফল্লিবশিং অদুনা লিক্লি, নূং, ফত্তবা পোৎশিংনচিংবা লংথরকপদা মখাদা ফল্লিবা মীৎয়েংলোইশিং অদুদা পানখি। মখোয়শিং অদু শান্নফম লম্পাক্তা চেনশিল্লকপদা পুলিসনা তানখায়নবা হোৎনখি। মতম অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংস হৌবগী বিল লোরি অমসুং ষ্টেকপোল বেট্টিং তৌনবা থোরক্তুনা সুব্রোটো গুহানা অহানবা বোল লংদুনা বিল লোরিনা বাউন্দরিদা য়ৈখিবদা ঙাইরি। মীৎয়েংলোইশিংনা শান্নফম অদুদা চেনশিল্লকপগী ফোটো নম্নবা ফোটোগ্রাফরশিং পিচলোমদা চেনশিল্লকপদা বিল লোরিনা মহাক্কী বেট অদুনা লংবদা 'বাশুমতি' কৌবা বেঙ্গলি পাউচে অমগী ফোটো নম্বা মীওই অমা পানবদগী তুখি। মদুগীদমক পাউচেগী মায়কৈদগী ৱাকৎ অমা ওষ্ট্রেলিয়াগী কেপ্তেন্দা থাঙ্গৎখি।

# মখোয়না পামজবা লম্বীদুদা লমজিংবীসি

-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-

"Bem Bem, what happened? How did you do?" হায়বসিনা ঐহাক্কী অহানবা য়াম্না খঙনীংনা হংখিবা ৱাহংনি ইচানুপী বেম বেমনা হেক হল্লকপদা। হৌখিবা এপ্রিল ৭, থাংজ নুমিৎতা মহৈরোয়শিংগী ওইবা টাইৱানগী টাইচুং সিটিদা পাঙথোকখিবা "Chungcheng Cup International Wushu Championship" তা ইচানুপী বেম বেমসু মহাক্কী স্কুলগী মীহুৎ ওইনা চৎতুনা মহৈরোয়শিংগী ৱুশু চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়ারুই। স্কুলগী ওইবনিনা ঐহাক্তি চৎলুদ্রে ইচানুপীগা লোয়ননা। চৎকদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈগী নুমিদাং তূল্লমদাইদা বেম বেমনা ঐহাক্কী খজাইদা চুপ্লগা, "Daddy pray for my competition" হায়রগা মখোয়গী কাদা তূম্বা চঙখি। ঐহাক্ন া "Bem, wish you all the best. When you are performing on the stage, remember Daddy. You'll do great." হায়না মঙ্গল পীখি। মহাক্না মহাক্কী চেম্পিয়নশিপ্তুগীদমক মপূ মহাক্কী মফমদা খুরুম্বীয়ু হায়বসিনা তাক্লিবদি ইচানুপী বেম বেমসি মহাক্কী চেম্পিয়নশিপসি য়াম্না লুনা লৌই হায়না তাকপনি। মহাক্না নীংথিনা তৌদুনা মকোক থোংনীংবদগী মপাদা লাই খুরুম্বীয়ু হায়রিবনি। মসি হায় হায়দুনা ইচানুপীনা হেক্তা মকোক ওইগনি হায়বগী ৱাফমদি লৈতে, অদুবু মহাক্কী ৱাখলদা মশাবু থাজবগী থাক্তুদি (self-confidence) শোয়দনা হেনগৎহনগদৌরিবনি। ঐহাক্কী থম্মোয়দদি মহাক্কী অহানবা ৱুশু চেম্পিয়নশিপ ওইবনিনা মকোক মথং ৩গী মনুং চনবা হায়দুনা মহাকপু থৌনা পীবিখি।

মমাঙ চহী ২০১৭কী এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনল বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপ্তা চহী ১৩ মখাগী সিঙ্গল অমদি পিয়র গ্রুপ অনীমক্তা ইচানুপী বেম বেম (চাইনিজ মমিং - Chen EnHsien, চহী ১২ হেল্লে) অমদি ইচানুপা বুং বুং (Chen Siu Hsr, চহী ১০ হেল্লে) অনীমক গোল্ড মেদল অনী ফংদুনা ইরমদম কংলৈ ইমাগী শক্তম্বু লৌরিবী মচু তরেৎকী ফিরালবু (সলাই তরেৎকী মনুংদা চনদবা ইরৈচাশিংনা ৱারৌবীগনু, মসিদা কাঙলূপকী ওইবা ৱাখল্লোন মচেৎ অমত্তা য়াওজদে) মালেমগী মীয়াম পূম্বগী মমাঙদা হাইনা হুম্না মনীং তম্না পাইহনবা ঙমজখি। ইচা অনীমক টাইৱানগী সিটিজন ওইজরবসু ঐহাক্না মখোয়বু ইরমদম মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা য়াওহনখিবনি। নুমিৎতু কুমজা ২০১৭কী মে ২৬তনি। মচু তরেৎকী ফিরালদুবু পাইহনবতা নত্তনা, ইরমদমগী মরৈবাক নুংশিবগী শৈহৌ 'মণিপুর কৌবী ইমানি' হায়বা শৈহৌদুনা মীয়াম তিল্লিবা হোলদু পূমনিল নিলহনখিবনি। কংলৈ ইমাগী শক্তম লৌরিবী ইরমদমগী মচু তরেৎকী ফিরালবু মনীং তম্না পাইহন দুনা 'মণিপুর কৌবী ইমানি' হায়বা শৈহৌদুগী খোঞ্জেলনা পূমনিল নিলখিবা হোল অদুদা তিনখিবা মালেমগী মীয়ামদুনা লেপখৎতুনা কংলৈ ইমাবু ইকায় খুম্নবা উৎহনবা ঙমখিবা ইচা অনীগীদমক মপা ওইবা ঐহাক্না কয়াদা থম্মোয় পেঞ্জখিবা নুমিৎতো।

অসিগুম্বা অহানবা মালেমগী ওইবা থাক্তা মকোক থোংবা ঙল্লকখিবা ফিটনেস স্পোর্টসতা বেম বেমসি অদুম মখা তানা চৎহনগে খন্না লাকখিবনি। অদুবু মহাক্না জুনিয়র হায় স্কুল কাবা হৌরকপদগী স্কুলগী ৱুশু ক্লাস য়াওগে হায়না হায়রকপদা অহানবদদি থৱায় ইয়াও য়াওনা শৌগৎলুদে মরমদি হান্নসু টাই ক্বান্দো য়াওরিনি হায়না য়াওরগা নিংথি নুংঙাইনসু হোৎনখিদবদুদা। মহাক্না পামজবা ওইরবসু য়াই হায়দুনা ৱুশু শান্নবদা য়াওরো হায়নবুদি হায়দোকখি।

নোংমা ইচানুপী বেম বেমগী ৱুশু ক্লাস অসিবু করম তৌরিজাৎনো, নুংতিগী স্কুল লোইরগা প্রেক্টিশসু তৌই অদুগা স্কুল লোনবা নুমিৎশিংদসু প্রেক্টিশ তৌই হায়না হংবদা কম্পিটিসন অমা টাইচুংদা লৈ হায়না হায়রকই। মদুদা ঐহাক্না করিবু হৈরবজাৎনো য়েংনীংদুনা মঙোন্দা করি করি হৈরবা উৎলো হায়না হংবদা মহাক্না হৈরবা কাওবা, চোঙবা অমদি লৈবগী মওংশিংদু উৎপা হৌরকখি। ইথা থাজদনা কয়াদি ফজনা তৌথোরকই, ওস্থোক্না পকচখ্রে মহাক্কী ফীভম, সবান অমদি মহাক্কী মায়থোংদুগা মহাক্না তৌথোরল্লিবা, উৎথোরল্লিবা পোজশিংদুগা। নুমিৎতুদগী ঐহাক বেম বেমনা মহাক্কী অপাম্বা মহাক্না য়াম্না চানজবা মশান্না ফংলে হায়বা উবা ফংখি, খঙখি অমদি মহাকপু থৌগৎপীদুনা অশংবা মতমদা য়ূমদা শান্নহনখি স্কুলদা তল্লকপা পাড়াশিংদো। মহাক্না উৎলিবা পোজিং অমদি কাওবা, থিনবা, লেংবা, লৈথোক-লৈশিন খুদিংমক ঐহাক্কী খঙজবা পুথোক্তুনা মহাকপু থৌগৎপীখি। চাবা-থকপদসু মহাকপু ফজনা মপূং ফানা চানবা তাকপীখি, থৌগৎখি। হেক শংবদা মহাক্না তল্লকপা অনৌবা পাড়াশিং উৎহল্লি মমাগা ঐহাক্কগী মমাঙদা।

মমাঙগী ঐহাক্কী ৱাহংদুদা বেম বেমনা "I got first in wushu and another 3[rd] in staff" (চৈগীদা) হায়না খুল্লকখি। মদুদা ঐহাক্না মপা অমা ওইবগী কয়াদা হরাউজখিবা। মহাকপু কোন্দুনা মরী মঙারক চোঙখিবনি অঙাং মচাগুম। অসুক্কী মতিক হরাউবা ফাওখি থম্মোয়সিদা, ঐহাক্না নেচরেল ওলেম্পিয়াদা প্রোফেসনেল চেম্পিয়ন ওইবদগী হেন্নদুম হরাউবা ফাওখিবগুম পোকখি।



বেম বেমনা ৱুশু মশান্নগী পোজ তৌবগী শক্তম অমা

ঙসিদি বেম বেম ঐহাক্কী থাজবগী ৱাংমদা মকোক থোংবা শান্নরোয় অমা ওইবা ঙল্লে, স্কুলগী অঙাংশিংগী মরক্তা। অদুবু মহাকসি হৌরকপদা ঙাইরিবনি, তমগদবা, ফগৎকদবা, ৱাগদবা, থেংনগদবা য়াম্না ৱাৎলি, লৈরি অচৌ অচৌবা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ, ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ, এসিয়ন গেমস অমদি তুংদা ওলেম্পিক গেমসনচিংবা য়াওবা ঙম্নবা হোৎনবদা (হৌজিকমক্তি ওলেম্পিক গেমসতদি চনদ্রি, অদুবু ২০২৪ ওলেম্পিক গেমসতদি শোয়দনা চনবা য়াই হায়না থাজবদি থম্ন রি, খন্নরি ইন্টরনেসনল ৱুশু ফেদরেসন্না)। বেম বেমনা কন্না শান্নদুনা, হৈদুনা লৈশাবী ফারকপগা চপ চান্নরনি ওলেম্পিক্তা চংবগা।

মতাংসিদা মমা মপা ওইবা ইরৈচাশিংদা হায়জনীংবদি মখোয় মখোয়গী মচাশিংগী অপাম্বা লম্বীদুদা থাজিনবীয়ু লাইরিক-লাইশুগী লমদবু ওইরে অদুগা শান্নবগী লমদবু ওইরে। মখোয়না পামজবা লমদুদা চৎহনবনা মখোয়না খ্বাইদগী ৱাংনা কাবা ঙমগনি। মমা মপা ওইবা ঐখোয়না পাম্মী হায়দুনা মখোয়নদি পামজদবা লমদা থাজিনবদি মায় পাকপা ঙল্লোই, মতম, শেল অমদি পাঙ্গল মাঙদুনা তোক্কনি। ইচানুপী বেম বেমসু টাই ক্বান্দো শান্নহল্লম্মী অদুবু থৱায় য়াওদবদুদা ওইররোই হায়না তোকহনখিবনি চেম্পিয়নশিপ অমত্তা য়াওদনা, য়াওরল্লসু মকোক মথং ফংলমদবসু য়াই মশানা পাম্না শান্নদবনিনা। লাইরিক তম্বদসু অদু মঙাই। মমা মপানা পাল্লিবনি হায়দুনা অঙ্কগী কোক য়াওদবা মচাদুদা এঞ্জিনিয়র ওইহনগনি, সাইন্টিষ্ট ওইহনগনি হায়না নম্ফুদা তমহল্লবদি মতম, শেল অমদি পাঙ্গল মাঙদুনা তোক্কনি। অমরোমদা সিভিল সার্ভেন্টকী লমদা য়ারোইদবা অঙাংদুবু সিভিল সার্ভেন্টকী টেষ্টশিং য়াওনবা নম্ফুদা হোৎনরবদি করিসু কান্নবা ফংলোই, মায় পাক্লোই। মাগী মাগী চানবা লমদুদা থাজিন্দুনা ঐখোয়না অঙম্বা মায় চুম্বীবা, মতেং পাঙবীবা অমদি থৌগৎপীবা অদুনা খ্বাইদগী মায় পাকপা ঙমগনি। অঙাং ওইরিঙৈদদি শেম্নীংবা মওংদা শেম্বা য়াই হায়বা পাউরৌকাদি লৈ অদুবু হীরমসিদদি য়ারোই, হায়বদি অঙাং খুদিংমক মাগী মাগী চানবা টেলেন্ট লৈজে, মদু ঐখোয়না থিজিন্দুনা চৎহনবগী মহুত্তা ঐখোয়গী অপাম্বদা নম্ফুদা চৎহনবদি য়াম্না লানগনি। মসিমক ইরমদম কংলৈপাক্তদি তোইনা থোক্লি, অতোপ্পগী মতৌ তমবদা।



বেম বেমগী স্কুল

অতোপ্পা হায়জনীংবা ৱাফম অমনা, লাইরিক তম্বা খক্তনা অঙাং অমবু মশা মঙ ফনা, মপূং ফানা শেমগৎপা শুকঙম ঙল্লোই। অঙাং খুদিংমক লাইরিক-লাইশুগী মহৈ তম্বতা নত্তনা মখোয়বু শান্নবগী লমদসু চঙহনবা য়াম্না মরু ওই। ইরমদমদদি শান্ন-খোৎনবদা চঙখ্রদি লাইরিক-লাইশু তম্বদা পূক্নিং চঙলোই, মহৈ নিংথিনা তম্বা ঙল্লোই হায়না খন্দুনা অয়াম্বা মমা মপাশিংনা মখোয় মখোয়গী মচাশিংবু শান্ন-খোৎনবগী লমদগী লাপ্না থম্নবা হোৎনৈ। মসিদি য়াম্না থায়না মমাঙঙৈগী শান্নবগা মহৈ-মশীন তম্বীবা অনীগী মরক্তা লৈরিবা তৎনবা য়াদ্রবা মরী অসিবু খঙদবদুগী ৱাখল্লোনদুগা চপ মান্নে। মহৈ তম্বদা শান্নবা হায়বা হীরম অসিমসু তঙাইফদনা য়াওহনদবা য়াদ্রবা, য়াম্না মরু ওইবা হীরম অমনি হায়বসি শান্নবা অমদি মহৈ-মশীন তম্বীবদা খঙ হৈরবা মীওই কয়া অমনা থিজিন হুমজিন্দুনা খঙলবা ৱাফমনি। অদুগা মদুসু মখোয়না খ্বাইদগী পামজবা শান্নবা মখলদা অদুম চৎহনবা। রিছার্সরস কয়ানা পুথোক্লবা অচুম্বশিংগী মনুংদা শান্ন-খোৎনবদা থৱায় য়াওজবা অঙাংশিংনা মহৈ-মশীনদসু মাঙজিল থানা চৎলি হায়বসিসু অমনি। খুদম অসি ঐহাক ইশামক্কী পুন্সিদসু থোকখি। মতমদুদদি ঐহাকসু মসিগী মরমদা করিসু খঙলুদে অদুবু পামজরুবনা অঙাং ওইরিঙৈদগী লাইরিক তম্না তম্না শান্নবসু অদুম য়াওরকই অদুবু ফেল অমুক্তা ওইরক্তে। ফেল ওইবদি লায়রদনা ঐখোয়গী হায় স্কুলগী ক্লাসতা ঐহাক্না মকোক থোংদুনতা অদুম লাকখিবনি। ঐহাক্না মপূং ফারবা নুপা অমা ওইরবা মতম জে এন য়ু, ন্যু দেল্লিদা পি ঐচ দি তল্লিঙৈদসু ঐহাক লেপ্তুনা বোদিবিল্ডিং শান্নখি, মিষ্টর দেল্লি মরিরক লৌখি, মিষ্টর নোর্দন ইন্দিয়া অহুল্লক লৌখি। লোয়ননা মিষ্টর নোর্দন ইন্দিয়া ওভরওল টাইটল অমুরক লৌখি। শান্ন-শান্ননা লাইরিক্তসু থৱায় য়াওনা হোৎনদুনা পি ঐচ দি কোর্স ৱর্কতা মার্ক ৱাংনা ফংবদগী দাইরেক্ট পি ঐচ দি তৌবা ঙমখিবনি।

শান্নরোয় ওইবা মহৈরোয়শিংনা মাঙজিল থাবগী মরমদি রিছার্সকী মতুং ইন্না মখাগী অসুম্না থম্মী। শান্নবা মতমদা ঐখোয়গী হকচাংগী গ্লান্দশিংদগী ইন্দোর্ফিন কৌবা হোর্মোন, কেমিকেল অমা থোরকই। হায়রিবা কেমিকেল অসিনা ঈগী উতোংশিংদা, ঈরমসিদা তিনখিদুনা অতোপ্পা হকচাংগী শরুক, কয়াৎকী মফম কয়াদা য়ৌহন্দুনা হকচাংবু ফনা থম্বা অমদি অতৈ অতৈ কয়া অমা তৌবতা নত্তনা মসিগী কেমিকেল অসিনা ঐখোয়গী ব্রেন্দা য়ৌদুনা মহৈ-মশীন তম্বদসু লায়না তম্বা ঙমহল্লি। অদুনা শান্নবদা থৱায় য়াওজবা মহৈরোয়শিংনা পুং অমা পাবদুনা শান্নবদা মহৈরোয়শিংনা পুং ২,৩ পাবদগী হেন্না কান্নবা হেলহল্লি, হায়বদি শান্নদবা থৱায় য়াওবা মহৈরোয়শিংনা অতেনবা মতমদা য়াম্না তম্বা, হৈবা ঙম্মী হায়বনি।

মসিতা নত্তনা, অতোপ্পা মায়কৈ কয়াদসু মহৈরোয়শিংবু শান্ন-খোৎনবনা মতেং পাংই। শান্নবনা হকচাং ফহল্লি, মতম নীংথিনা শীজিন্নহল্লি, ৱারেং-শৈরেং ফজহল্লি, চিঞ্জাক্তা কামহন্দে, তূম্বা-চাবা, স্কুল চৎপা অমদি অতৈ থবকশিং তৌবদা মতম চাং নাইহল্লি, ঙাওশিন্নদুনা, ৱাথি-ৱারেম ঙাঙদুনা মতম মাঙহনবগী মতম ফংহন্দে।

-মথং-মথং